


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, APRIL 27, 2019 **PAGE 7**



*ওস্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্ট বিগ ব্লাষ্ট লীগতগী পোখারে হায়না ফোঙদোকখ্রবা ওস্ট্রেলিয়া টিমগী মরুওইবা ওল রাউন্দর সেন্ট ৱাটসন*

*ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী টেক্নিকেল দাইরেক্টর ওইনা খনখ্রবা মশাগী চহী ৫৬ শুরবা রোমানিয়া মচা দোরু ইসাক*


## ইন্দিয়াগী বোক্সর পুজা রানী অমদি অমিত পাঙ্গালনা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*বেঙ্কোক, এপ্রিল ২৬ঃ*

থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা চখরকপা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনী পুজা রানী অমদি অমিত পাঙ্গালনা গোল্ড মেডল অমমম লৌখ্রে।

এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি থিন্নখিবা নুপীগী কেজি ৮১ গী কেটেগোরিগী ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর পুজা রানীনা চাইনাগী বোক্সর ৱাং লিনাবু মায়থিবা পীরন্নগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই মশাগী চহী ২৮ শুরবী ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর পুজা রানী চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কুমজা ২০১২ গী ইদিসনদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি থিন্নখিবা নুপাগী কেজি ৫২ গী ফাইনেল বাওটতা এসিয়ান গেমসকী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী অমিত পাঙ্গালনা সাউথ কোরিয়াগী কিম ইনকিয়ুবু য়াম্না হেনবা মওং দা মায়থিবা পীরন্নগা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

ফাইনেল বাওট অদুগী অহানবা রাউন্দ হেক হৌবদগী ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিতনা সাউথ কোরিয়াগী কিমবু হিরম খূদিংমক্তা হেন্দুনা পোইন্ট লৌবা হেনখি। মখা তানা থিন্নখিবা রাউন্দশিংনা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিত পাঙ্গালনা ফজবা হেনখিবদগী কেটেগোরি অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।





*এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা পুজা রানী অমদি অমিত পাঙ্গাল*

নীংশিংবা য়াই চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা বলগেরিয়াদা পাঙথোকখিবা ষ্ট্রান্দজা মেমোরিয়েল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর অমিত পাঙ্গালনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিত পাঙ্গাল মমাঙদা কেজি ৪৯ দা শান্নরম্বনি অদুবু চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অহানবা ওইনা কেজি ৫২ দা শরুক য়াবদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সরশিংগী মনুংদা নেসনেল চেম্পিয়ন দিপক সিংহ (কেজি ৪৯), কাভিন্দর সিংহ বিষ্ট (কেজি ৫৬) অমদি আসিস কুমার (কেজি ৭৫) পাঙথোকখিবা মখোয়–মখোয়গী ফাইনেল বাওটশিংদা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেডল ফংহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী অতোপ্পা বোক্সর সিব থাপা (কেজি ৬০), আসিস (কেজি ৬৯), সাটিস কুমার (কেজি ৯১ মথক) ক্বার্টর ফাইনেল বাওটশিংদা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি থিন্নখিবা নুপীগী কেজি ৬৪গী ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিমরনজিৎ কোর মহাক্কী লম্বা ওইখিবা চাইনাগী বোক্সর ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন দৌ দানগী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেডল ফংহৌখি।

ইন্দিয়াগী ভেটরান বোক্সর এল সরিতা দেবী (কেজি ৬০), চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙ সিজনগী সিলভর মেডালিষ্ট মনিসা (কেজি ৫৪), হান্নগী জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন নিখাট জারিন (কেজি ৫১) অমদি ৱার্ল্ড সিলভর মেডালিষ্ট সোনিয়া চাহল (কেজি ৫৭) ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা চখরকপা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা গোল্ড ২, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ ৭ পুন্না মেডল ১৩ ফংবা ঙমখি। কুমজা ২০০৯গী ইদিসনদা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সরশিংনা গোল্ড ১, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ লৌখি।

## ‘শান্নবা অমসুং পৈশা’

### এল. কালা, উরিপোক

শান্নবা অমসুং পৈশা অনীসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না হেন্না হেন্না নকশিন্নবা থাদোক্নবা য়ারক্তবা অমা ওইরে। মতম অমদদি শান্নবা পৈশা কা হেন্না চঙলমদে অদুগা শান্নরোইশিং পৈশা ফংবগী চৎনবীসু লৈরমদে। মকোক মথং তাবা শান্নরোইশিং অমদি শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকাই খুম্নবা হায়বসিমক্তনি। হৌজিক মতম অসিদা শান্নবদা মীথোই মীহেনবা শান্নরোই অমা ওইহনবা হোৎনবদা পৈশা য়াম চঙখ্রে অদুগা করিগুম্বা মীথোই মীহেনবা ঙন্নগনা পৈশা য়াম্নসু ফংবা ঙম্বগী মতমসু ওইরে। শান্নবগী খোঙচৎ তপ্না তপ্না হোংলকপা অমদি মীওইবগী জ্ঞান লৌশিং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না শান্নবগী কুম্মৈ খূদিংমক অয়েংবশিংনা হেন্না হেন্না নুংঙাইগদবা মওংগী ওইবা ফিভমদা নিতি নিয়ম কয়া অমা হাপচিনবা লৌথোকপা লোয়ননা শান্নবুং শান্নরোইশিংনা শান্নবদা হেন্না নুংঙাইনবা মওংদা লৈতেং কয়াগা লোয়ননা শেমজিন শাজিনবা শাগৎপা অমদি শান্নরোইশিংনা শান্নবদা নুংঙাইনা শান্নবা ঙম্নবা মখলগী ওইবা খূৎজু খূৎলাই, শেৎলি চারিবা ফিরোল পূম্নমক লোয়নমক হোংলক্লি, হোংলকখিগনি। মশান্না খূদিংমক শান্নরোই কয়া মশীং য়াম্না য়াম্না হেনগৎলকপগা লোয়ননা কম্পিটিশন খূদিংমক য়াম্না কম্পিটিটিপ ওইবগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। পূম্নমকসি স্পোর্টস সাইন্সকী নোলেজ হেনগৎলকপনা অচৌবা মরম অমা ওইরক্লিবনি।

মতম অমদা শান্নবা পৈশা চঙলমদবা, পৈশা ফংলমদবা অদু মতমগী মতুং ইন্না হৌজিক্তি শান্নবা অসি পৃথিবীগী শেঙ্গাও পায়বা করবারৱালা কয়া অমনা করবারদা খ্বাইদগী শেন্দোং লৈবা অমনি হায়না লৌদুনা অকিবা য়াওদনা পৈশা থাদদুনা শান্নবা পৈশা য়াম চঙলে, শান্নবা পৈশা য়াম ফংলে। অসুম্না হোংলক্লিবগী মচৎ অসি অফবনি হায়না লৌবা তাই অদুবু অফবা লৈরবদি ফৎতবসু লৈরম্বদি য়াই। শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা ফম্বাক্নি হায়নরিবা ওলিম্পিক গেমসনা কোনশিল্লিবা মশান্না অয়াম্বদি শেন্দোং লৈনা শেন্দান লম্বী (প্রোফেস্নেল) অমা ওইনা শান্নবগী মচৎ লাকপদগী প্রোফেস্নেল হায়বা অমা অমেচর হায়বা খায়দুনা শান্নবা মচৎ অনীগী খোঙচৎতা চৎলি। মতাং স্বাইদগী স্পোর্টসপু নুংশিদুনা মতম মতমগী লেপ্পীবা শিনলি লাংলিবগী থৌদাং লৌরিবশিংনা অমেচর অমসুং প্রোফেস্নেল অনীমক্তা কায়দনবা শান্নরোই য়াইফনবা শান্নবগী প্লেটফোর্ম শেম্বদা মথৌ চীনহনবা অমদি ওইরি।

প্রোফেস্নেল হায়বসি শান্নববু চাওখৎহনবগী অচৌবা খোঙথাং অমনি হায়না আইনগী ওইবা অয়াবা লৈবদগীনি শান্নববু করবার অমা ওইনা শান্নরোইশিং দা মখোয়–মখোয়গী হৈথোই শীংথোইবগী (ষ্টেন্দর্দ) মতুং ইন্না পৈশা চাং লেপ্পুনা পীবা অদুগা অমুক মখোয়বু শান্নহনদুনা অয়েংবশিংবু পুক্নিং পেলহনদুনা পৈশা অমুক খোমগৎপগী চৎনবী হৌদোরকপগী শান্নবা হায়বসি য়াম্না হেন্না মশেক মঙাল হেনগৎলকপদা নৎতনা মতম চুপ্পদা তগৎ তগৎ তেক্কুনা পূম্নিল নিলদুনা লৈহল্লে।

ওলিম্পিক গেমস নৎতবা অমদি মশান্নশিংগী ওইবা ৱার্ল্ড কপসু নৎতবা তশেং তশেংবা মশান্না কয়া প্রোফেস্নেলগী ওইবা চেম্পিয়ন্সিপ কয়া ইনিদয়াদসু য়ৌরক্কুনা প্রো কবাদ্দি, প্রো ভোল্লি, প্রো রেষ্টলিং, প্রো বোক্সিং, প্রো ক্রিকেট, প্রো বেদমিন্টন, প্রো ফুটবোল, প্রো হোক্কী অমসিদা নৎতবা মশান্না কয়া শেঙ্গাও পায়বা কয়ানা মীৎয়েং চঙদুনা ইন্দিয়া ৱাংমদগী অফবা শান্নরোই কয়া অমা শরুক য়াহন্দুনা শান্নবা চেম্পিয়ন্সিপ কয়া অমা চাওনা পাঙথোক্লি। চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারিবা ক্লব / এসোসিয়েসন্দা পৈশা ফংহনবা অমসুং শান্নরোইশিংদা পৈশা ফংহনবা অসিনা মরম ওইরগা ইনিদয়াদা শান্নবগী ইহৌ অমা ইনিদয়াগী কাচিন কোয়া শিন থুংনা শাগৎলক্লিবা অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা মীশিং য়ামজদবা অপীকপা ষ্টেট মণিপুরদসু য়ৌরক্তবদি নত্তে মশান্না অমা অনীদা।

শান্নবা পৈশা য়াম্না চঙবা মতম অসিদা লায়রবা পীকখ্রবা মীশিং য়ামদবা ষ্টেট অসিগী তুংদা হৌরক্লিবা শান্নরোইশিংগী লাইবক কদোমদা থোক্লগদগে হায়বা অচৌবা ৱাহং অমা থোরক্লে। মীয়াম মরক্তা তিন্দুনা শেল ইচং চঙদনা হোৎনবা য়াবা হায়বা অসিগী খুদোংচাবা মরাং কায়না লৈরগদি য়াম্না ফৈ অদুবু শেলসু চঙনা হোৎনবা মহৈসু চাবা ফংদবা মতমসু মাঙবা মমৈদা নীংবা কায়বগী চৈনা ফংহৌবা শান্নবনা নীংবা কায়হনবা পূন্সি অমা ওইহৌবা হায়বসিমদি শান্নবগী ফজখ্রবা মচৎ অসিগী ওন্ন–তৈন্নবনি।

[ শান্নবদি য়াম্না পামজবা শোথুমগী ফিভমদি য়াম্না ফৎতবা ইমুং মনুং অমগী অঙাং অমনা শান্নগে হায়রবদি শুকয়া য়াদবগী মতম অদুনি হৌজিক লাক্লিবসি। খুদম ওইনা টেন কাপ্পা পামজবা শেম্বোক লৈতবা ইমুং অমগী অঙাংনা টেন অমা লৈবা টেনজৈ খরা লৈবা হায়বসি করম্না লৈগনি, অদুমঙাই হোক্কী ষ্টিক, বেদমিন্টন বেট অসিদা নৎতবা মশান্না কয়া অমসুনি, মসিনি হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমসি।]

পৈশা তিংদনা মতমগা শান্নবা মওংগী ওইবা লাইরবগী অঙাংনসু চঙলগা শান্নবা য়াবা, ইনাক খুনবগী অঙাংনসু চঙলগা শান্নবা য়াবা অমত্তা ওইবা মশান্না কয়াগী ওইবা মফম য়াম্না মরাং কায়বমক নৎত্রবসু দিষ্ট্রিক্ট অমদা অমমমতা ওইরবসু মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা য়ুঠ এফিয়ারস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা তুংকোইনগী ওইবা য়াবা পোলিসি প্রোগ্রাম শেমদুনা অখন্নবা শান্নবগীদমক হোৎনহৌবা নৎত্রবদি শান্নবগী পৱার হাওসনি হায়রিবা মণিপুর মতম খরগী মতুংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনবা ঙম্বা শান্নরোই থোরক্তবসু য়াই মরমদি মণিপুরদি লায়রবা ইমুং মনুংনা নম্না লৈবা ষ্টেটনি, লাইরবগী ইমুংশিংদগী হৌরকপা অঙাংশিংনা শান্নবা হেন্না পামজবগী মচৎ অমসু থেংনদুনা লাক্লি। মণিপুরগী চীংগী মফম অমত্তদা শান্নবগী মহৈ চাবা য়াবা ইহৌ অমত্তা ঙসি ফাওবা য়ৌহনবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো–? চীংগী নহাশিংবু শান্নবদা চীংশিনবা ঙন্নবদি চীংমী তম্মী অমত্তনি হায়বগী ৱাহম্বোক লৈনা মরী ফগৎলকপগী লম্বী অমসু ওইরকপদা অচৌবা মতেং অমসু ওইরগনি।

## আই পি এলগী মেটচ অমদা রাজস্থাননা কোলকটাবু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীখ্রে

*কোলকটা, এপ্রিল ২৬ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং কোলকটাদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৩শুবা লীগ মেটচ অমদা রাজস্থান রোয়েলসনা য়ুম্বু কোলকটা নাইট রাইদর্সপু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

৪৩শুবা মেটচ অসিগী টোস রাজস্থান রোয়েলসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং খনখি। কোলকটানা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৭৫ লৌবা ঙমখি।

কোলকটাগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। টিম অসিগী রন ৫০ শুদ্রিঙৈদা বেটসমেন অহুম আওট তাখি। ৩শুবা বেটসমেন নিটিস রানা রন ২১ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা দিনেস কার্থিননা রাজস্থান রোয়েলসকী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী বোল ৫০ দা সিক্স ৯ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৯৭ লৌরমখিবা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

রাজস্থান রোয়েলসনা মায় পাক্নবগী রন ১৭৬ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা ৱিকেট ৭ তুরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৩ দা মায় পাকখি।

রাজস্থানগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম ফজরকখি। ওপনর অনীনা অপুনবা রন ৫০ লাম্থোকহনবা ঙমখি। অজিনক্য রহানে বোল ২১ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৩৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর সঞ্জু সামসনসু রন ২২ লৌরমখি।

৫শুবা বেটসমেন ওইখিবা রিয়াং পারাগনা বোল ৩১ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪৭ লৌরম্বা অসিনা মতেং ওইদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৩ দা রাজস্থান রোয়েলসনা মায় পাকখি। রাজস্থান রোয়েলসকী ৮শুবা বেটসমেন জোফ্রা আচরসু আওট ওইদনা রন ২৭ লৌরমখি।

## ইন্দিয়ানা মেক্সিকো, য়ু এস এ অমদি স্লোভেনিয়াগা শান্নরগনি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ঃ*

এ এফ সি য়ু–১৬ ক্বালিফায়রগী শেম শাবা টুর ওইনা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপা ফুটবোল টিম্না ইটালিদা মেক্সিকো, য়ু এস এ অমদি স্লোভেনিয়াগা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপা ফুটবোল টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অসি কুমজা ২০০৪ গী জনুৱারী ১ অমদি মসিগী মতুংদা পোকপা শান্নরোইশিংনা শাবা গ্রুপনি। ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসিগী কোচনা বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা ওইরি।

বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস এ, মেক্সিকো অমদি স্লোভেনিয়ায়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা টিমশিংনি। মসিগী মহাক্কী শান্নরোইশিংদা অহেনবা এক্সপরিয়েন্স লাক্কনি হায়খি।

ইন্দিয়ানা অহানবা মেটচ থা অসিগী ২৮ দা য়ু এস এগা শান্নগনি, অনীশুবা মেটচতা তাং ২৯ দা মেক্সিকোগা শান্নরবা মতুং অহুমশুবা মেটচনা স্লোভেনিয়াগা থা অসিগী ৩০ দা শান্নগনি।

## দোরু ইসাকনা এ আই এফ এফকী টেক্নিকেল দাইরেক্টর ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ঃ*

রোমানিয়া মচা দোরু ইসাকনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী টেক্নিকেল দাইরেক্টর ওইনা খনখ্রে।

ফম অসিগীদমক কেন্দিদেট ৩ লাকখিবদা রোমানিয়াগী দোরু ইসাকনা খ্বাইদগী মতিক চাখিবদগী মহাকপু ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল বোদি এ আই এফ এফকী টেক্নিকেল দাইরেক্টরগী ফম অসি খূৎশিন্নখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা টেক্নিকেল দাইরেক্টরগী ফম লৌবগী কমিতি অদু শ্যাম থাপানা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবনি।

মশাগী চহী ৫৬ শুরবা রোমানিয়া মচা দোরু ইসাকনা টেক্নিকেল দাইরেক্টরগী মফম অসি পায়খিবা অসিনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদা অনৌবা টেক্নিক কয়া অমা ফংলগনি।

এক্সপরিয়েন্স লৈরবা রোমানিয়াগী দোরু ইসাক অরসেন ৱেঙ্গর অমদি আইকোনিক ওইরবা কার্লোস ক্বিরোসকা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা লাকখিবনি। মহাক এসিয়ান ফুটবোল মরু ওইনা জপান, সিঙ্গাপোর, সাউদি অরাবিয়া অমদি কাটারগী মরমদা চহী ২২ এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মীওইনি।


**IN THE COURT OF THE SESSIONS JUDGE, BISHNUPUR**

**S.T. Case No. 4 of 2016**
Ref. F.I.R. 158 (12) 2005 MRG. P.S.
U/S 302/34 IPC r/w Sec. 25 (1-C) A. Act.

The State of Manipur
-Vs-
Nongthombam Omar @ Amar Singh S/o N. Shashibabu Singh of Saiton Heiyaikon Village, P.S. Moirang, District Bishnupur, Manipur and 6 (Six) others.

... Accused person

**PROCLAIMATION**
**REQUIRING THE APPEARANCE OF A PERSON ACCUSED**
( Section 82 of the Code of Criminal Procedure)

WHEREAS, complaint has been made before me that Nongthombam Omar @ Amar Singh, S/o N. Shashibabu Singh of Saiton Heiyaikon Village, P.S. Moirang, District Bishnupur, Manipur has committed/is suspected to have committed to have committed the Offence punishable under Section 302/34 IPC r/w Sec. 25/(1-C) A. Act. and it has been returned to a warrant of arrest thereupon issued that the said accused cannot be found, and whereas it has been shown to my satisfication that the said accused has absconded/ concealed himself to avoid the service of the said warrant.

Proclamation is hereby made that the accused person is required to appear before the Sessions Judge, Bishnupur to answer the said complaint on the 31st day of May, 2019 at 10.30 a.m.

Sd/-
(Ngaineikim Kipgen)
Sessions Judge, Bishnupur

*SL/4733/27*


### ক্রোসৱার্দ ১৪৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | R | B | S | | R | E | C | T | I | | S | E | E | R |
| M | E | L | T | | E | T | H | A | N | | W | A | X | Y |
| N | A | I | R | | S | T | A | R | T | | E | R | I | E |
| I | M | P | O | R | T | A | N | T | E | V | E | N | T | S |
| | | | L | E | O | | | A | N | A | T | | | |
| D | O | L | L | A | R | S | A | N | D | C | E | N | T | S |
| E | C | O | | P | E | E | L | | | S | N | O | R | E |
| L | U | G | S | | S | T | I | N | G | | S | L | I | T |
| I | L | I | E | D | | | G | O | E | S | | A | N | T |
| S | O | C | C | E | R | A | N | D | T | E | N | N | I | S |
| | | | T | A | I | L | | | S | E | I | | | |
| F | A | M | I | L | Y | B | O | A | R | D | G | A | M | E |
| O | L | E | O | | A | E | R | I | E | | H | E | A | R |
| A | D | E | N | | L | I | N | D | A | | T | R | I | M |
| M | A | T | S | | S | T | E | E | L | | S | O | D | A |

## সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী পনৱারনা মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা সিলভর ফংদুনা টোকিও ২০২০ গী কোটা ফংখ্রে

*বৈজিং, এপ্রিল ২৬ঃ*

চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা চখরিবা আই এস এস এফ রাইফল এন্দ পিষ্টোল সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী সুট্টর দিভ্যান্স সিংহ পনৱারনা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা সিলভর মেডল ফংদুনা কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্সকী কোটা ফংখ্রে।

আই এস এস এফ রাইফল এন্দ পিষ্টোল সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলগী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুট্টর দিভ্যান্স সিংহ পনৱারনা পুন্না স্কোর ২৪৯.০ তৌদুনা সিলভর মেডল ফংবগা লোয়ননা মথং চহীদা জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুট্টর দিভ্যান্স সিংহ পনৱারনা পোইন্ট ৬২৯.২ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপনি।



*সিলভর মেডল লৌদুনা ওলিম্পিক কোটা ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী পনৱার*

নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডলনা চাইনাগী সুট্টর হুই জি চেননা পোইন্ট ২৪৯.৪ স্কোর তৌদুনা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা রুশিয়াগী সুট্টর গ্রিগোরি সামাকোভনা পোইন্ট ২২৭.৫ স্কোর তৌদুনা লৌখি।

চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা চাইনাগী সুট্টর লিন জুনমিননা পোইন্ট ৩৫ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা জর্মনিগী সুট্টর ওলিভর জিসনা পোইন্ট ৩১ স্কোর তৌদুনা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ফ্রান্সকী সুট্টর জিন ক্যুক্কামপোইক্সনা পোইন্ট ২৭ স্কোর তৌদুনা লৌখি।

মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর আদর্স সিংহ অমদি অনিস ভনৱালা মথংশিংনা ১০ অমদি ২২ শুবা পোজিসন তাহৌখি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর অপুর্ভি চান্দেলা অমদি অঞ্জুম মোদগিল সাউথ কোরিয়াগী চাংৱোন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ফজবা ঙমদুনা ওলিম্পিক কোটা ফংখি। অদুগা লৈবাক অসিগী নুপা সুট্টর ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদুনা টোকিও ওলিম্পিক্সকী কোটা ফংবা ঙমখি।

## পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল অমদি সমির ভর্ম মায়থিহৌবদগী এসিয়ান বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখ্রে

*ৱুহান, এপ্রিল ২৬ঃ*

চাইনাগী সিটি ৱুহানদা চখরিবা এসিয়ান বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল অমদি সমির ভর্ম ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু চাইনাগী কাই ৱাই ৱাইগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম ১৯–২১, ৯–২১ দা মায়থিহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ জপানগী অকাদে য়ামাগুচিগী মখূত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৩–২১, ২৩–২১, ১৬–২১ দা মায়থিহৌবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফৈনা জপানগী এ ওহোরিবু ক্বার্টর ফাইনেলদা ষ্ট্রেট গেম ২১–১৭, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জপানগী নোজোমী ওকুহারা ৫শুবা সিদেদ চাইনাগী হি বিংজিয়াওগী মখূত্তা ১৬–২১, ২১–২৩ দা মায়থিহৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা চাইনাগী লু জি জেটপু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১৬–২১, ২১–১১, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱাক্ক ওভর ফংদুনা লাকখিবা হোং কোংগী ঙুয়েন টিয়েন মিনগা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সমির ভর্ম ২শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী সি য়ুকীগী মখূত্তা য়াম্না শোত্থনা ষ্ট্রেট গেম ১০–২১, ১২–২১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী সমিরবু থোইরম্বা চাইনাগী সি য়ুকীনা সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনগা লম্বা তৌনরগনি। চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জপানগী কেনিসিমোটোগা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ২২–২০, ২৪–২৬, ২১–১৫ দা থোইরম্বনি।